




*Prepared by*

**DR. A. TARAJIT SINGH**
**SMS-AGRIL. EXTENSION**



*Published by*

**KRISHI VIGYAN KENDRA**
**Bishnupur district, Manipur-795134**

*Designed & Printed at:*

S.K. PRINTERS WORKS,
NAMBOL, MANIPUR


# ফৌরক লম্বী

## (Crop Alley)




*Published by*

**KRISHI VIGYAN KENDRA**
**Bishnupur district, Manipur-795134**

*Website:* www.kvkbishnupur.com *Email:*kvkbishnupurdistrict@gmail.com

**Year of Publication: 2024** **Leaflet No.: 2401**

ৰাহৌদোক:

ফৌ কুংনা থাবা অমশুং লম্বী অমত্তা খাক্তনা অচৌবা ফৈদোমদুমক ফৌ হুনবা নত্রগা লিংবগী অচৌবা সমাস্যা কয়া থোকহল্লি। সমাস্যাশিংদুগী মনুংদা লায়না-তিনা, লৌরক্তা হার চায়বা চংবা, ফৌমাং অমদি পামদবা পান্থীশিং লৌথোক্লবা অমদি ফৈদোম ময়াইদা তাবা তিল-কাং অমদি লায়না-তিলনা য়েংশিনবনাচিংবা পনবা য়াই। অসিগুম্বা সমাস্যাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ফৌ থাবা মতমদা মিটর ৩-৩ খুদিংগী সেন্টিমিটর ৩০-৪৫ (ফৌগী অনেম্বা অৰাংবগী মতুংইনা) লাপ্না খোঙনা চৎপা য়াবা লম্বী অমা খাকপিবা অসিবু ফৌরক লম্বী (**Crop Alley**) হায়না খঙনৈ।

করিগীদমক দরকার ওইরিবনো

১। মসিনা ফৌগী লৌফমদা নুংশিৎ-নুংশা মরাং কাইনা চৎহন্দুনা তিল-কাং অমদি লৈনাশিংবু পোকহল্লি মহিকশিংনা য়াম্না পামজবা মাইক্রো ক্লায়মেৎ অমা শাগৎপদা অথিংবা পী অমদি লাইনা-তিলনাশিংনা শন্দোকপদা অথিংবা পী।

২। তঙাইফদবা হিদাক কাপপা তারবশু হিদাক কাপ্লবা মীওই অদুনা মনিং তৌনা চৎপা ঙমহন্দুনা ঐখোয়না পামলিবা মফমদা হিদাক্লা পানহনবদা অচৌবা মতেং ওই।

৩। ফৌশাৎ মাংহন্নবগীদমক, ফৌনা মমি তান্লকপা মতম (**P.1. Stage**) দা য়ুরিয়া মথন্তা নত্রগা **MOP** অমশুং য়ুরিয়াগী অরোইবা পিবা তঙাইফদে অদুবু মতম অসিদা লৌমীশিংনা ফৌ শোক্কনি কিদুনা ফৌরক্তা লম্বী হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরি।

৪। অফবা মরু লৌনবগীদমক নাপী মরু অমদি পামদবা পান্থী (ফৌমাং) খন্দোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওই। হায়রিবা থৌওংশিং পাংথোক্লবগীদমক হৌরিবা ফৌ পান্থীশিং অদুবু শোকহন্দনা অপিকপা ফৈদোমগী ওই অমশুং য়েৎথংবা মতাইদা লৈবা লম্বী অদুদগী লমদুনা পাংথোকপা য়াই।

করম্না পাংথোক্কনি (শেম্বগী মওং):

থৌওং অসি পাইখৎপিনবগীদমক মিটর ৩ শাংবা চৈ অনি, ফৈদোমশিং অদু থুংবা মওংদা উচুক য়াওবা থৌরি লিশাং অনি অমদি সেন্টিমিটর ৩০ নত্রগা ৪৫ (ফৌগী অনেম-অৰাংগী মতুংইনা) শাংবা পাদম চৈ অনি চংগনি। লৌ লিংলিবা নত্রগা হুনবিবা মতমদা ফৈদোম অমগী মমাংথংবা নত্রগা মনিংথংবা লৌরি অদুদগী হৌরকপা ৩- ৩ শাংবা পাদম চৈগী মচিন অনিদু খা অমসুং অৰাংথংবা লৌরিদা থমদুনা হৌবিগনি অমদি মিটর ৩ শাংবা পাদম চৈগী অরোইবদা মতোন মপাদা ফৈদোম অদুবু থুংবা থৌরি অদুনা খা- ৰাং চিংবিদুনা, লৌ লিংবা নত্রগা হুনবগী থবক মিটর ৩ পাকপা লম অসিগী মনুংদা পাংথোকপিগনি। তিংলিবা থৌরি অদুদগী সেন্টিমিটর ৩০ নত্রগা সেন্টিমিটর ৪৫ পাকপা মফম অসি লৌ লিংদুনা নত্রগা হুন্দুনা থমবিদুনা খোঙ লম্বী ওইনা খাকপিগনি। অহানবা মিটর ৩ পাকপা ফৈদোম মচা অদু লিংবা নত্রগা হুনবা লোইবগা মিটর ৩- ৩ শাংবা পাদম চৈ অদু অমুক লৌবিদুনা অনিশুবা থৌরিগী মচিন্দগী হৌরগা খা অমসুং অৰাংথংবা লৌরিদা থম্বিগনি লোয়ননা অহানবা থৌরি অদু ফুক্তোকপিদুনা মিটর ৩ শাংবা পাদম চৈগী অরোইবা মতোন অনি অদু থুংনা তিংবিদুনা মিটর ৩ পাকপা অতোপপা ফৈদোম মচা অমা শেম্বিগনি অমদি লৌ লিংবা নত্রগা হুনবগী থবক পাংথোকপিগনি অশুম্না মিটর ৩- ৩ পাকপা ফৈদোম মচা খুদিংগী সেন্টিমিটর ৩০ নত্রগা সেন্টিমিটর ৪৫গী খোঙ লম্বী অমমম খা- ৰাং চৎনবা মওংদা থম্বিগনি। মসিনা নুংশিৎ-নুংশা মরাং কাইনা চংবদা মতেং পাংই ইশাগী অচৌবা ফৈদোমশিং অসিবু অপিক- অপিকপা মিটর ৩ পাকপা ফৈদোম অদু ফরক তারে হায়দুনা মিটর ৩দগী হেল্লোইদবনি হন্থবদি য়াই। অসিগুম্বা খোঙ লম্বী অসি খক্তনা হানা হুনবিখ্রবা লৌফমদা মিটর ৩- ৩ খুদিংগী সেন্টিমিটর ৩০ নত্রগা সেন্টিমিটর ৪৫গী খোঙ লম্বী অমা শেম্নবগীদমক থৌরি তিংদুনা ফুক্তোকপিবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি।

লৌমীশিংনা পামদবগী মরম:

লৌমীশিংনা অসিগুম্বা খোঙ লম্বীশিং অসিনা মাংহন্দুনা চাকথোক হন্থহল্লি হায়না কি মখোয় চিংনবা অসি কোক্লবা মখাগী ৰাফম খরা অসি থমজরি মদুদি ফৌ পান্থী অমনা মপুং মরৈ ফানা পোথোক পুথোক্লবগীদমক তঙাইফদবা পান্থীগী অরন-অকুংগী চাং অসি সেন্টিমিটর ১৫x১৫ নত্রগা ১৫x২০ নি। সেন্টিমিটর ৩০ পাকপা খোঙ লম্বী অমা ফৈদোম অনিগী মরক-মরক্তা থম্বা মতমদা ঐখোয়না মাংজগদৌরিবা অসি শুপ্নতগী ফৌ পান্থী অমগী পারেংগী লমতনি মাংখ্রিবা পরেং অদুগী চাকথোক্তি ফৈদোম অমগী মতাইথংবা পরেং অনিদগী হেনগৎলক্কদৌরিবা চাকথোক্লা মেনখৎপা ঙমগনি।

| | চাংচৎতা পান্থী অমনা মচা পোকপগী চাং | চাংচৎতা চারোং অমদা পানগদবা ফৌ মরুগী চাং |
|---|---|---|
| মতাইদা হৌবা পান্থী | ৭-৮ | ২৪০-২৬০ |
| মরক্তা হৌবা পান্থী | ৪-৫ | ২৩০-২৪০ |

মরম অসিনা ফৌথোক্তা করিশু অকাইবা পিদে।

ৰারোইশিন:

মমাংঙৈদদি ফৌ হুনজিনখিবা নত্রগা লিংখিবা মতুংদা অমুক্তং পেংবিরগা লৌ লোকপা মতম ঙাইবদু হৌজিক্তি য়ারকত্রে ফৌ অসি হেক হুনখিবা লিংখিবদগী খাউদুনা লোকপা ফাওবগী মনুংদা হানা খুমাং চাওশল্লিবা লৌউ কাংলোনশিং পাইখৎপা য়ানবগীদমক লৌরক লম্বী অসি শুংসোই শোইদনা পাইখৎবিগদবা লৌউ কাংলোন অমা ওইরে।